# নেসনল থাক্তা মেদল লৌবা ঙল্লবদি স্পোর্টসনা কেরিয়র ওইরগা থবক চঙবা অদুম্মক য়াই ঃ ইবোমচা



য়ুমলেম্বম ইবোমচা
(জিম্নাষ্টিক্স প্লেয়র)



(হান্নগী মখা...)

কুমজা ১৯৯৯ দা চান্দিগরদা আই টি বি পিগী ওইনা আর্টিষ্টিক্স জিম্নাষ্টিক্সকী ওইনা প্লেয়র লৌননবা টেষ্ট অদুদা পূন্না অতোপ অতোপ্পা ষ্টেটকী য়াওরগা মীওই ৫০ মুক লাকখি। মণিপুরদগী চৎমিন্নখিবসিসু ৱাংখে লাইশ্রম লৈকায়দগী সৈত্যজিৎকা ঐখোয় অনীনি।

ওল ইন্দিয়াগী ওইনা জিম্নাষ্ট ৫০ লাকখিবসিদগী শুপ্পগী ঐখোয় মঙাখক অহানবদা খঙ্গৎলকখি। মদুদা য়াওরকপসি ঐহাকনে সৈত্যজিৎনে, পঞ্জাবী অমনে, বঙ্গালি অনীনে ওইখি।

ঐখোয় মঙাসি মেদিকেল চেক-অপ অমুক তৌখি। চেক-অপতুদা মখোয় মরি লৈহৌখি। চহীদুদা ঐ ইথন্তমক খনখি। করি তৌবগী মখোয় মরি খনখিদবনো হায়বদুমদি ঐহাক থোইনা খঙদ্রে। মখোয়সু ফজনা শান্নরিবা প্লেয়র ঙাক্তনি।

অমরোমদা, ঐনা থবক চঙলিবা মতমদু শুপ্পগী ঐদি মেত্রিক পাস খক্তনি। টুয়েল্ব থাদ্রিঙৈদনি। জিম্নাষ্টিক্স শান্নরোয় অমা ওইনা স্পোর্টসনা কেরিয়র ওইরগা চঙজখিবনি। নেসনল লেভেলদা ঐনা লৌখিবা মেদল, সার্টিফিকেটশিংদুনা মরম ওইরগা থবক চঙবগী অয়াবদু ফংজখিবনি।

ঐগী নুংঙাইজখিবা অসিনা সার ইনাওবীগা লৈমিন্নবা ফংখিবসিনি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী জিম্নাষ্টিক্সতা মিৎয়েং অমা

মহাক মশাসু জিম্নাষ্টিক্স মশান্নসিগী নেসনল চেম্পিয়ননি। কুমজা ১৯৭৮/৭৯ দগীনা ১৯৮০ গী মতমদা মমিং লৈখিবা অফাওবা জিম্নাষ্টনি।

চান্দিগড়দা থবক তৌনা তৌনা সার ইনাওবীগী মখাদা জিম্নাষ্টিক্সকী ত্রেনিং তৌবা চহী খরা ফংখিবদু ঐঙোন্দা নুংঙাইনা থোকখিবগা লোয়ননা শান্নবদসু ইমপ্রুভ তৌবা খরগীমখৈ ঙমজখি। চহী খুদিংগী লেপ্তুনা তৌবা ওল ইন্দিয়া পুলিস মীটতসু ফজনা পার্ফোমেন্স পীদুনা মায় পাক্লা শান্নখি।

অদুগা শান্নরোয় ওইনা চঙজখিবা ঐখোয়দি পুলিস মীটতা শরুক য়াদবা য়াদে। কুমজা ১৯৯৯ দগী শান্নজরকপা অদুনা হৌজিকসু ঐহাক লেপ্তুনা শান্নজরি। অদুবু হান্না সার ইনাওবীগা লৈমিন্নরিঙৈদা অফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নজরম্বদু লৈমিন্নদ্রবা মতুংদদি খরা হন্থরকখি।

কুমজা ২০০৪ দা ওফিসার রেঙ্ককাবদগী মহাক্না অদুমক লাপথোক্লখ্রে। হান্নদি নেসনল মেদলগসু য়াম্না লৌজরম্মী। প্লেয়র হায়বসিদি অফবা কোচ অমনা গাইদ তৌদুনা অসুম পুবিরবদি হেন্না মঙাল লৈনা শান্নবসু ঙম্মী।

অমরোমদা, গেম মখল অসি মণিপুরদদি পাকশন্না শান্নবা অদুমক্তি ওইদে হায়বা য়াই। ঐনা থবক তৌদুনা লৈরিবা চান্দিগড়সিদদি জিম্নাষ্টিক্স অসি য়াম্না পোপ্যুলর গেম অমা ওইনা লৈ।

স্কুলগী থাক্তা কম্পলসরি সবজেক্ট ওইনা য়াওই। জিম্নাষ্টিক্স খক্তগী স্কুল গেমস ফাওবা চাউনা চাউনা পাঙথোকই। সবজেক্ট অমা ওইনা য়াওরবনিনা ষ্টেট লেভেলগী, দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী টুর্নামেন্টশিংসু অদুম তৌই।

অফবা জিম্নাষ্ট পুথোক্লবগী পান্দমদা অফবা কোচশিং ফাওবা থা ৩/৪ গী ওইনা স্কুল স্কুলশিংদা এটেচ তৌদুনা থম্মি। ফিজিকেল এদ্যুকেসন হায়দুনা মণিপুরদা তন্বীরিবা মওংসিগদি য়াম্না খেন্নে। ঐখোয়গী ষ্টেটতা তৌরিসিদি সেলেবসতা য়াওবা খরদু তাকপীবা নত্তনা প্রেক্টিকেল ওইনা জিম্নাজিয়ম হোলনচিংবদা তাকপী-তন্বীবা অদুগুম্বদি লৈতে।

চান্দিগড়দগা তৌরিসিদি স্পোর্টসনা কেরিয়র অমা ওইরগা হিংননবগী লম্বেল শেন্বীবা ষ্টাইলদুদা ফজনা তন্বী। ওলেম্পিক গেমসকী মনুং চনবা স্পোর্টস ইভেন্ট অয়াম্বা সেলেবসতা ফজ ফজনা হাপ্তুনা থিওরি অমদি প্রেক্টিকেল অনীসি মমুং তানা খঙনবা মওংদা তাকপী।


স্কুল অয়াম্বদা শান্নফম ফিল্ড মফম চানা চানা থমদুনা স্পোর্টসতসু অকনবা মিৎয়েংগা লোয়ননা হোৎনৈ। মণিপুরদা ঐখোয়না জিম্নাষ্টিক্সকা শান্নরক্লিবদুদি লন্নাইগী ওইবা লময়ানবা পাখঙগী শঙলেন্দনি। ইশানা পামজমনবদগী থৱায় য়াওজবদুনা শান্নজবা ঙমজরকপনি।

ঐখোয়গীসু স্কুল কোলেজদা জিম্নাজিয়ম হোলগা থন্বীরগা শান্নজরকপা ওইরম্লবদি য়াম্না হেন্না মায় পাক্লা শান্নবা ঙমজরমগদবনি। অতৈ ষ্টেটতা তৌরিবা, স্পোর্টসতা থাদরিবা শেল থুমবু ওইরো, শান্নফম হোলদবু ওইরো, মণিপুরদসু ঙল্লিঙৈদগী শাবিরম্বা তারগদি অফবা জিম্নাষ্ট ময়াম অমা থোরক্লগনি। মণিপুর ষ্টেটসিদদি হৌজিক ফাওবা জিম্নাজিয়ম হোল অমত্তা শাবিদ্রি। মার্দর গেম অমনি হায়দুনা লৈরবা মশান্নসিদা হৌজিকসু ইম্পোর্টেন্স অমত্তা পীবিদ্রি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৬

1. অহানবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল কুমজা ১৯৮৭ তা ইম্ফালদা পাঙথোকখি। গেমস অদুদা সনাগী মেদল ৬ ফংখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।
2. থোঙাম কৃতি সিংহ মেমোরিএলগী অহুম্লকশুবা ত্রোফি করম্বা গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবগে?
3. মখুরানা পাকিস্তানগী জেনরেল ওইরম্বা, মশামক্লা ইন্দিয়াগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) ওইনবা ভোট লেপ্পদা কাখিদবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
4. মণিপুরগী চৎনবী মতুং ইন্না থংনবা থা অনীগী তঙ্খায় তঙ্খায় শগোল কাংজৈ শান্নবা য়ারমদে। শগোল কাংজৈ শান্নবা য়াদবা থা তঙ্খায় অনী অদুগী মমিং হায়য়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সাইক্লিষ্ট মাইক হোল ওষ্ট্রেলিয়াদা রেস য়াওরিঙৈদা লৈখিদ্রে



সিদনি, এপ্রিল ০১ :

বৃটিশকী অলত্রা-দিসটেন্স সাইক্লিষ্ট মাইক হোল ওষ্ট্রেলিয়াদা রেস অমা য়াওরিঙৈ মনুং কার অমনা থোল্লম্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবী সাইক্লিষ্ট মাইক হোলনা কেনবেরাগী নেসনল কেপিটেলদগী খরা হেন্দোক্লবা মতুং মহাক্না সাইকল থৌরিঙৈদা কার অমনা তুংদগী থোমজিল্লকপদগী খুদক্তা মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পর্থতগী সিদনি ফাওবা মাইল ৩৩০০ (৫৩০০ কিলোমিটর) শাংনা সাইকল থৌদুনা চৎখিবা ইন্দিয়ন পেসিফিক হ্বিল রেস মনুংদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মাইক হোল কারনা থোল্লম্বদগী লৈখিদ্রে হায়বা পাউ হেক তারবা মতুং রেস অসিবু শিল্লি লাংলিবশিংনা ইভেন্ট অদু খুদক্তা থিংখি। লৈখিদ্রবা সাইক্লিষ্ট মাইক হোল নোর্থ য়োকশ্রীগী হারোগেটতগীনি। মহাক মফম অসিদা পোকচরবসু সাউথ ৱেলসকী মোনমাওথশ্রীদা লৈবনি হায়রি।

## বেন ষ্টোক্সনা আই পি এলগী খ্বাইদগী মমল তাঙবা ফোরেন প্লেয়র ওইরে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০২ :

ক্রিকেটতা ঙাওজবা মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না য়েংনরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী কুমসি চহীগী ওইনা ফোরেন প্লেয়র বেন ষ্টোক্সনা খ্বাইদগী মমল ৱাংবা প্লেয়র ওইরে।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা বেন ষ্টোক্সনা খ্বাইদগী শেল য়াম্বা ফোরেন প্লেয়র ওইদুনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রে। বেন ষ্টোক্সপু পুনেনা ১৪.৫ ক্রোরদা লৈখি।

ইংলেন্দগী য়াম্না হৈশিংলবা স্মাসশিং ওল রাউন্দর বেন ষ্টোক্সনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অমদি ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী কেরিয়রদা য়াম্না ফজবা রেকোর্দ থমদুনা লাকপনা ঙসিদি আই পি এলদা খ্বাইদগী মমল ৱাংবা শান্নরোয় ওইরি।

বেন ষ্টোক্সনা ফোঙদোকখিবদা রবিন্দর জাদেজা হৌজিক হৌজিক মালেমগী ওইনা লৈরিবা বোলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা বোলরনি হায়খি।

## আই লীগ ২০১৭ ঃ য়ুসা কাটসুমিগী গোলনা মোহন বগান্না বেঙ্গালুরুবু মায়থীবা পীখ্রে



কোলকটা, এপ্রিল ০১ :

স্কিপর য়ুসা কাটসুমিনা চনখিবা গোল অদুনা মোহন বগান্না মফম অসিগী রবিন্দ্র সরোবার ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা আই লীগকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অলবার্টরোকাগী বেঙ্গালুরু এফ সীবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মায় পাক্লবা বগানগী গোল অদু স্কিপর য়ুসা কাটসুমিনা মেচকী মিনিট ১৪ অমদি ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং দেরেল দুফিনা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। লীগ অসি ইন্টরনেসনল ব্রিক লৈরুরবা মতুং হেভি ৱেথ মোহন বগান অমদি বেঙ্গালুরু এফ সীনা অহানবা ওইনা শান্নখিবনি। টিম অনীগী লাইন অপ্তা অহোংবা কয়া লৈখি অমদি মরুওইবা প্লেয়রশিং পোথাখি।

মেচ অদু হেক হৌখিবগা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মোহন বগান্না মায়োক্লখিবা টিমগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬ চৎপা মতমদা দেরেল দুফিনা গোল চনবা য়াবা ফজরবা খুদোংচাবা অমা ফংখ্রবসু নিংথিনা কাওশিনবা ঙমদবদগী অরেম্বা তাখি। বোল অদু প্রিতম কোটালগী ক্রোসতগী দেরেল দুফিনা ওক্লগা মায়োক্লখিবা বেঙ্গালুরু এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে। অদুবু মেরিনরগী স্কিপর কাটসুমি লুসানা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি।

গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মোহন বগানগী দেরেল দেফিনা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি। মেচকী অনীশুবা হাফকী মিনিট ৪৩ চৎপা মতমদা মোহন বগানগী স্কিপর কাটসুমিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মায় পাকখি।

## স্কুল গেমসকী ফুটবোল্লর ১৪ খল্লক্লে

থৌবাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :

স্কুল গেমস এসোসিএশন ইন্দিয়ানা শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৬ ফাওবা রাজস্থানগী শ্রীয়ু গেঙস নাগারদাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২ শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোলদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা চহী ১৩ মখাগী শান্নরোয় ২৫ খনখিবদা কন্সোলিদেটেদ য়ঙ স্পোর্টিং এসোসিএশন (সী ৱাই এস এ) খাঙবোক্কী শান্নরোয় ১৪ খল্লক্লে।

কন্সোলিদেটেদ য়ঙ স্পোর্টিং এসোসিএশন (সী ৱাই এস এ) খাঙবোক্কী শান্নরোয় ১৪ খল্লকপদা এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি। হন্দক্তা নৌনা লিংখৎলকপা এসোসিএশন অসিগী ফুটবোল ১৪ খল্লকপগীদমক স্কুল গেমস এসোসিএশন মণিপুরবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ওফিসিএল ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :

মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা ফকৱারাদা ঙসিদগী হৌদুনা চথবা হৌখ্রবা সেনিয়র নেসনল ৱিমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ তা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর ৱিমেন'স ফুটবোল টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিমগী কোচ ওইনা ও বেমবেম অদুগা টিম মেনেজরনা সী ঐচ কৈলানি চনু খল্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) :

তাওবুংখোক্তা লৈবা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি গ্রাউন্দদা হৌখিবা মার্চ ১০ অমসুং ১১ দা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী গ্রাসরুট ফেষ্টিভেলগী ত্রাইএল অদুদা শান্নরোয় ১৫ খনগৎখ্রে।

ত্রাইএল অদুদা মায় পাক্লবা শান্নরোয় ১৫ অদুদি গোগোচা চুংখাম, লাইশ্রম অলেক্স, ৱাহেংবম জিনাস, হাওবম বিকাস খুমন, থোকচোম হিটলর, সোরাইসম মনিসন, খাংমিলিয়ন তৌথাং, লাইশ্রম রাহুল, রোহিট, খ্বাইরাকপম রিবান্দো, থৌদাম কৃষ্ণ, ওইনাম প্রেমচান্দ, লাইশ্রম দোলর, পাওহোটিংহোং হাওকিপ অমসুং য়াহেনবনি।

খল্লবা শান্নরোয় ১৫ না অথুবা মতমদা তাওবুংখোক্তা লৈবা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিদা লাক্তুনা একাদেমি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম দিলিপকা উননবা খঙহল্লক্লি।

## রেষ্টলর সুসিল কুমার দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা শরুক য়ারোই

ওরলান্দো, এপ্রিল ০১ ঃ

ইন্দিয়াগী দবল ওলেম্পিক মেদলিষ্ট রেষ্টলর সুসিল কুমার ৱর্ল্ড রেষ্টলিং এন্টরটেনমেন্ট (দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ) দা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈনা সুসিল কুমারদা হৌখিবা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ য়াওননবা ফোঙদোরকপা লৈখি। ইন্দিয়াগী রেষ্টলিংগী আইকোন সুসিল কুমারনা আমেরিকাদা লাক্তুনা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা শরুক য়াবগী মতাংদা পাউ ফাওদোক্লবা অসি য়াম্নমক অৱাবা অমা ওইখি হায়না দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈগী ভাইস প্রসিদেন্ট চেমেন্না ফোঙদোকখি।

দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা মলেমগী মীপুম খুদিংমক অঙাং অহল খাক্তনা মসিগী নুংঙাইবগী ঈপাক্তা তাওরি। দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদগী ঙসি ফাওবদা দ গ্রেট খালি নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা খোঙদাদুনা মমিং ৱাংনা থাঙ্গৎপা ঙমদ্রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী মীয়ামশিং দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা চিংশিন্নিংই। মসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈ ষ্টার কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। তুংদসু দল্লিয়ু দল্লিয়ু ঈদা ইন্দিয়াগী ষ্টার কয়া অমা থোরকখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।







